# নিরভয়াগী রেপিষ্টশিং ফাঁশি তৌরগনি কনভিক্টশিংগী আপিল সুপ্রিম কোর্টনা লৌখিদ্রে




***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৯ ঃ***
ইন্দিয়া পুম্ববু থম্মোয় শোকহনখিবা অমসুং লৈবাকসিগী মফম পুম্নমক্তা য়ানিংদবা খোল্লাওশিং লাওনরকখিবা কুমজা ২০১২ দা দিল্লিদা চেল্লিবা বস অমগী মনুংদা মশাগী চহী ২৩ শুরবী মেদিকেল মহৈরোয় নুপী অমবু রেপ তৌখিবা অমসুং ওৎ-নৈখিবা কনভিক্টসন পীখ্রবা মীওই ৪ অদু ফাঁশি তৌদুনা চৈরাক পীরগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

কনভিক্ট ৪ অদুগী মনুংদগী ৩ না মখোয়গী মথক্তা কোর্ট অসিনা পীখিবা চৈরাক অদু পুন্সি চুপ্পগী জেলদা ফাদোক ওইনা লৈবদা হন্থহনবীয়ু হায়না হায়জরকখিবা ৱাকৎ অমা সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎলদুনা কোর্ট অসিমক্না পীখিবা হান্নগী রাই অদু অমুক হন্না চেৎশিনহনখি।

হৌজিক কনভিক্টশিং অদুনা তৌবা য়ারিবা থবক হায়ববু ঙাকপীনবগীদমক মখোয়না প্রসিদেন্টতা আপিল তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়গী চৈরাক অদু শীংনবগী শুপ্পগী আইনগী খোঙথাং অমখক লৈরি।

ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অদুনা মুকেশ (২৯), পাৱন গুপ্ত (২২) অমসুং বিনয় শর্ম্মা (২৩) গী রিভিউ পেটিসন অদুগী মতাংদা হায়খি, ঐখোয়গী রাই রিভিউ তৌনবা করিগুম্বা অনৌবা মচাক অমত্তা লৈতে।

মরিশুবা কনভিক্ট অখয় কুমার সিংহ (৩১) না হৌখিবা চহীগী মে থাদা পীখিবা সুপ্রিম কোর্টকী রাইগী মায়োক্তা রিভিউ পেটিসন অমা থাঙ্গৎলকখিদে।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীয়াম্না হৌজিক্তি অচুম্বা হায়বদু ফংলে। লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি থুনমক মপূং ফারগনি অমসুং রেপিষ্টশিং অদু শিবগী চৈরাক ফংলগনি অমসুং খুন্নাই অসি নুপীশিংগীদমক হেন্না শাফবা ওইরগনি হায়বসি ঐখোয়না আশা তৌই হায়না নুপীমচা অদুগী মমা অশা দেবীনা হায়খি।

কনভিক্টশিং অদুগী উকিল অমা ওইরিবা এ পি সিংহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা কনভিক্টসন পীখ্রবা মীহাৎপশিং অদুদা চুমদবা ৱায়েল পীরে। পব্লিক অমসুং পোলিটিকেল প্রেসরদা কোর্টনা থবক তৌরে হায়খি।

য়াম্না চাওখৎতবা অমসুং তমথিবা থৌদোক অদুগী নুমিৎ ১৬ নিগী মতূংদা সিঙ্গাপোরগী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুবু রেপ তৌখিবা অমসুং তমথিনা ওৎ-নৈখিবা মীওই ৪ দা দিল্লি হায় কোর্ট অমসুং ট্রাইয়েল কোর্টনা তাখিবা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা চহীদা শৌগৎখি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুদা কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখিবদা তমথিরবা চাওখৎতবা মওংগী ক্রাইম অদুনা চাওখৎলবা খুন্নাই অমা তুম্না মাঙহন্নবা সুনামি অমা থোকহনবা য়াই হায়খি।

কুমজা ২০১২ গী দিসেম্বর ১৬ কী নুমিদাংদা ন্যু দিল্লি মোল সিনেপ্লেক্স অমদা 'দ লাইফ ওফ পাই' য়েংলুরবা মতূংদা মরূপ অমগা ময়ুমদা হনমিন্নরকখিবী চহী ২৩ শুরবী মেদিকেল মহৈরোয় অদুবু গেং রেপ তৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী কাচিন-কোয়া মফম শিনবা থুংনা অশাওবা অমসুং থম্মোয় শোকপা পোকহনখি অমসুং থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা নুপীশিংগী মথক্তা চখবা সেক্সুচুয়েল ক্রাইমশিংগী মতাংদা লৈরিবা আইনশিংদা অচৌবা অহোংবশিং পুরকহনখি।

কেস অসিদা চেন্নরিবা মীওই ৬ কী মনুংদা বস ড্রাইভর রাম সিংহ মহাক্কী জেলগী সেল মনুংদা মহাক মতোমতা শিজখি। মখোয়গী মরক্তা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা মতম অদুদা চহী ১৮ শুগদবা নুমিৎ খরনিদা ঙায়রিবা নুপামচা অদুদি জুবেনাল হোমদা থাজিনখি অমসুং মফম অদুদা চহী ৩ লৈরবা তুংদা মহাক থাদোকখি।

তমথিরবা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নন্দুনসু মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা নুপাশিং অদুগী তুকৎচবা লীচৎ অদুগী মায়োক্তা থৌনা লৈনা মায়োং য়ারম্বগীদমক নুপী অদুবু 'নিরভয়া' নৎত্রগা 'অকিবী লৈতবী' হায়না মীয়াম্না খঙনরকখি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা নুপামচা অদু য়াওনা রেপিষ্ট পুম্নমক অদু খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা ফাঁশি তৌদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়না মহাক্কী মমা-মপাশিংনা ফোঙদোকখি।

## লাইরবা অনাবশিং লেম্না লায়েংনবা য়াথং পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৯ ঃ***
হন্থবা মমলদা লম পীখিবা নেস্নেল কেপিটেলদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল পুম্নমক্তা লাইরবা অনাবশিং শোয়দনমক পার্সেন্টেজ খরা পীদুনা লেম্না লায়েংগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি হায়খ্রে।

হোস্পিটালশিং অদুদা য়াম্না অহোংবা মমলদা লম ফংহনখিবা লিজ দীদকী ক্লোজশিংগী মনুংদা লাইরবশিংদা লায়েংবা হায়বসি য়াওরি।

হন্থবা মমলশিংদা গভর্ণমেন্টনা পীবা লমদা শাখিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগীদমক ইন পেসেন্ট দিপার্টমেন্ট (আই পি দি) দা চাদা ১০ অমসুং আউট পেসেন্ট দিপার্টমেন্ট (ও পি দি) দা চাদা ২৫ লেম্না লায়েংগদবনি হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা তঙাই ফদবা অমনি। কোর্টকী য়াথং অসি কনাগুম্বা হোস্পিটালশিংনা য়াদ্রবদি মখোয়গী লিজ অদু ককথৎনবগী খোঙথাং লৌখৎলক্কনি অমসুং য়াথং অসি ইন্দুনা থবক পাঙথোকপগী মতাংদা দিল্লি গভর্ণমেন্টতগী মতম-মতমগী রিপোর্ট পীরক্কদবনি হায়না জষ্টিস অরুন মিস্রানা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা হায়খি।

লাইরবা অনাবশিংদা পৈশা তিংহন্দনা লেম্না লায়েংবা হায়বদু শুকশোয় শোয়হন্দনবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী থবক অদু কুপশেন শেন্নদুনা লৈগনি হায়না বেঞ্চ অদুনা হায়খি।

## অমেথিদা ৱান্টেদ ক্রিমিনেল ৬১ ফাখ্রে

***অমেথি, জুলাই ৯ ঃ***
উত্তর প্রদেশ পুলিসনা লৌখৎলকখিবা অখন্নবা খোঙথাং অমদা অমেথি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাননবা ৱান্টেদ লাওথোকখ্রবা ক্রিমিনেল ৬১ ফারে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অমেথি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ঙরাং নুমিদাংদগী হৌনা চখরকখিবনি অমসুং ফাননবা ৱারেন্টশিং থোকখ্রবা ক্রিমিনেলশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ক্রিমিনেলশিং ফাগৎনবগী চখরক্লিবা খোঙজং অসিগী মনুংদা ক্রিমিনেল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফাবদি অমেথি পুলিসন ষ্টেসন্না ওইখি। পুলিস ষ্টেসন অসিনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ক্রিমিনেল ১১ ফাখ্রে হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা হায়খি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পুন্না পুলিস ষ্টেসন ১৪ লৈ।

## মোদি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মূন জে না নোইদাদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা সেলফোন ফেক্তরি হাংদোকখ্রে



***নোইদা, জুলাই ৯ ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিল্লি মনাক্তা লৈবা নোইদাদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা মোবাইল ফেক্তরি অদু হাংদোকখ্রে।

সমসুং ইলেক্ত্রোনিক্স কো গী নৌনা হাংদোক্লিবা য়ুনিট অসিদা দোল্লর ১০০ গী মমল মখাদা লৈবা স্মার্ট ফোনদগী হৌরগা কম্পনি অসিগী ফ্লেগসিপ এস ৯ মোদেল ফাওবগী ফোনশিং চহী অমদা মিল্লিয়ন ১২০ লোম শানবগী কেপাসিটি লৈগনি। মসিনা থা অমদা ফোন মিল্লিয়ন ১০ শাগনি। মসিগী চাদা ৭০ লৈবাক মনুংদা শীজিন্ননবনি।

ইন্দিয়ান ক্রোর ৪০ রোমনা হান্ননা স্মার্টফোনশিং পায়নরে, মীওই ক্রোর ৩২ না ব্রোদবেন্দ শীজিন্নরে হায়না ফেক্তরি হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

ফেক্তরি অসিদা শাবা ফোনশিং চাদা ৩০ দি এক্সপোর্টকীদমকনি। মসিনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিবু গ্লোভেল মার্কেটতা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসি থাংলিবা খোঙথাং অসিনা সিটিজনশিংবু মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং হেনগৎহনবতা নত্তনা মেক ইন ইন্দিয়াগী খোঙচৎতসু হেনগৎহল্লগনি। মসিমক উত্তর প্রদেশ অমসুং ইন্দিয়াগীদমক চাওথোকচনিংঙাইনি হায়না লৈবাক অসিদা ফেক্তরি অমসুং প্লানশিং লীংখৎলু হায়না ফোরেন ফার্মশিংদা তকশিল্লিবা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

সমসুংনা চাওরাক্না মীওই ৭০,০০০ দা থবক পীখ্রে, অনৌবা ফেক্তরি অসিনা অতোপ্পা মীওই ১,০০০ গসু থবক পীরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে না দিল্লি মেত্রো তোংদুনা সমসুং ফেক্তরি অদু শঙ্গানবগীদমক নোইদা তম্না লাকখি। মেত্রো তোংদুনা লাকপদা মখোয়গী তুংদা লৈরিবা থোঙনাওদা অক্ষরধাম লাইশঙ উবা মতম অদুদা লুচিংবা অনী অদুনা ৱারী শান্নবগী শক্তম অদু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ট্যুটরদা থাদোরকখিবা ফোটোশিংদা উৎলি।

হৌখিবা চহীদা চিনাগী হেক মথংদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা অনীশুবা স্মার্টফোন মার্কেট ওইরক্লবা ইন্দিয়ানা য়ু এস পু নমথরম্মী।

সিস্কো সিষ্টেমনা চখবা ষ্টদি অমগী মতূং ইন্না কুমজা ২০২১ দা কন্নেক্তেদ স্মার্টফোন মিল্লিয়ন ৭৮০ লৈরগনি। কুমজা ২০১৭ তদি শুপ্নগী মিল্লিয়ন ৩৫৯ লৈখিবনি হায়রি।

## থাই শুরুংদগী অঙাং ৪ রেস্ক্যু তৌবা হৌখ্রে

***চিয়াং রাই, জুলাই ৯ ঃ***
অৱাং থংবা থাইলেন্দদা লৈবা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা শুরুংগী কমপ্লেক্স অমদা লৈখ্রবা ফুটবোল শান্নরোই নুপামচা ১২ অমসুং মখোয়গী কোচ অদুবু কন্ননবগী থবক্তা মকোক থংদুনা লুচিংলিবা মীওই অদুনা ফোঙদোকপদা মখোয়না অহানবা ওইনা শুরুং মনুং অদুদগী নুপামচা মরি কন্দুনা মপান্দা পুথোক্লকপা ঙপ্লে হায়না ফোঙদোকখি।

অঙাং মরি অদু হকচাং ফনা লৈরি। মখোয় ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোস্পিটালদা থমখ্রে অমসুং ফ্রাই রাইজ চানিংই হায়না ফোঙদোক্লকখ্রে হায়রি।

হৌজিক মখা তানা রেস্ক্যু দাইভরশিংনা শুরুং মনুংদা লৈহৌরিবা অতৈ মীওইশিং অদু মপান্দা পুথোক্লবগী ওপরেসন অমুক চখবা হৌখ্রে।

মশাগী চহী ১১ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপামচাশিং অমসুং মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা মখোয়গী ফুটবোল কোচ অদুবু কন্ননবগী হোৎনরিবা থবক অদু রেস্ক্যু টিমশিংগী ওক্সিজেন হাপচিন্নবা অমসুং শুরুংগী অরুবা মনুংদা মথৌ তাগদবা অতৈ থৌরাংশিং শিনবদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা মতম খরা লেপখি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা শুরুং মনুংদগী খুদোংথিবা ফিভমদগী কন্দুনা পুথোক্লকখ্রবা নুপামচা মরি অদু থাম লুৱাং শুরুং কমপ্লেক্স অদুদগী হেলিকোপ্টরনা কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পা মফমদা লৈরিবা চিয়াং রাই প্রোভিন্সকী ময়োলদা লৈবা চিয়াং রাই প্রচানুক্রো হোস্পিটালদা পুখি।

ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতূংদসু মখা তানা ৫ শুবা অঙাং অমা শুরুং মনুংদগী লৌথোক্লকখ্রে হায়না রোয়েল থাই নেভি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি। অদুবু হায়রিবা অঙাং অদুগী মতাংদা অতৈ অকুপ্পা পাউ খুদক্তা ফংবা ঙমদ্রি।

শুরুং অদুগী মনুংদা অঙাং ৭ অমসুং মখোয়গী কোচ হৌজিকসু থোকপা ঙমদনা লৈহৌরি।

অঙাংশিং অদুগী হকচাং ফনা লৈরি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অনুপোং পাওচিন্দানা হায়খি, শুরুং মনুং অদুদগী লৌথোক্লকখ্রবা নুপামচা মরি অদুগী মশক মমিংশিং অদু ওফিসিয়েলশিংনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্পা ঙমদ্রি। শুরুং মনুংদা হৌজিকসু লৈহৌরিবা ইমুং মনুংশিং অদুগী ইকায়খুম্নবা য়েংলগা অঙাং মরি অদুগী মশক মমিং অদু ফোঙদোক্তনা থম্বনি হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা রেস্ক্যু ওপরেসনগী মকোক নারোংসক ওসোতনাকোর্ননা ফোঙদোকখি।

রেস্ক্যু মিসন অসিদা য়াওরিবা মেদিকেল ষ্টাফনা ফোঙদোকপদা হোস্পিটালদা থুংলখিবা অঙাংশিং অদুদা মখোয়না অহানবা য়েংশিনগদৌরিবা অসি মখোয়গী শ্বর হোনবা, হাইপোথরমিয়াগী খুদম অমসুং সেকপী অমসুং উচেকশিংগী মথিনা থোকহনবা কেভ দিজিজ হায়না খঙনবা নুংশিৎনা থোকহনবা লং ইনফেক্সন তৌব্রা হায়বসিনি। কেভ দিজিষ্ট লং ইনফেক্সন অদু করিগুম্বা লায়েংহৌদ্রবদি শিনিংঙাই ওই অমসুং হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা শন্দোরক্কনি।

শুরুং মনুংদগী অহানবা ওইনা পুথোক্লকখ্রবা নুপামচা মরি অদু কেভ রেস্ক্যু অদুগীদমক অখন্ননা তোঙান্না খাইদোক্তুনা থম্লবা হোস্পিটালগী ৱার্দ অমদা থমখ্রে হায়না হোস্পিটাল অদুদা লৈবা ষ্টাফ অমনা ফোঙদোকখি।



## বালি হিথাংফমদা চাওনা মৈ চাকখ্রে

***বেনোৱা, জুলাই ৯ ঃ***
ইন্দোনেসিয়াদা লম কোয়বশিংনা পাম্নরবা মফম বালি হিথাংফমদা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাওনা মৈ চাকপদা হি ৪০ রোম মৈনা চাক্তুনা মাঙ তাকহনখ্রে।

অঙকপা মওংদা চাকখৎলকখিবা মৈ অদু মুথৎনবা ফাইয়ার ফাইটরশিংনা কন্না হোৎনরি। ইন্দোনেসিয়াগী হোলিদে আইলেন্দ অদুদা ঙরাং অহিং নোংয়াই মতূংদা মৈ চাকপদু হৌরকখি অমসুং থুনমক মফমদুগী হি ৪০ রোম চাকখি। অদুম ওইনমক মী শোকপগী পাউ লৈতে হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

সুপ্রিয়ান্তো হায়না কৌবা ক্রু মেম্বর অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী হি অদুদা মহাক তুমদুনা লৈখি অদুবু হৌগৎলকপদা মহাক্কী হি অদুগী মথক থংবা শরুক অদু মৈনা চাক্তুনা লৈরম্বা উরকখি হায়রি।

## জাপান পি এম গী খোঙচৎ তোকখ্রে

***তোকিও, জুলাই ৯ ঃ***
জাপানদা রেকোর্ড ওইবা চাংদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং-ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা মী শিবগী মশীং ১০০ য়ৌরকখিবদা জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনা লৈবাক মরিদা চৎকদবা মহাক্কী খোঙচৎ অদু তোকখ্রে হায়না ঙসি জাপানগী মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী হৌরগা বেলজিয়ম, ফ্রান্স, সাউদি আরাবিয়া অমসুং ইজিপ্টতা চৎকদবনি। অদুবু পাউ অসিগী মতাংদা মোত পীযু হায়বদা মহাক্কী ওফিসনা য়াখিদে।

মীসি মীনাগী থৌদোক অসি মখা তানা থোকপা মরমনা খোঙচৎ অদু তোকপা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা খন্নিংঙাই লৈতে হায়না লৈঙাক পায়রিবা লিবরেল দিমোক্রেটিক পার্টিগী দিপুটি চীফতা প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনা হায়খি হায়রি।

হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা খঙহৌদনা থোক্লকপা ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিং অদুনা খ্বাইদগী শাথিনা শোকহল্লবা মফম খরদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা য়ারি। য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা অচৌবা ফ্রী ট্রেদ এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌননবা মহাক্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বেলজিয়ম তম্না চৎতুনা মাগী খোঙচৎ অদু হৌগদবনি।

## পাকিষ্টাননা চাইনিজ রোকেট শীজিন্নদুনা সেটিলাইট ২ ওর্বিট তম্না কাপখৎখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুলাই ৯ ঃ***
পাকিষ্টান মশানা শাজবা সেটিলাইট অনী ঙসি লৈবাক অসিনা চাইনিজ লোঞ্চ ভেহিকল অমা শীজিন্নদুনা ওর্বিট তম্না কাপখৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সেটিলাইট অনী অদু চাইনিজ লোং মার্চ (এল এম-২ সি) রোকেট অমদা হাপ্লগা কাপখৎখিবনি।



সেটিলাইট অনী অদুগী মনুংদা অমদি আর্থ ওবজার্ভেস্নেল অমসুং ওপটিকেল সেটিলাইট ওইবা থবক অনী পাঙথোকপা মখলগী রিমোট সেন্সিং সেটিলাইট (পি আর এস এস ১) অমনি।

পি আর এস এস ১ অসি ওর্বিটতা থমখিবগা লোয়নননা পাকিষ্টানসু ওর্বিটতা মশাগী ওইবা রিমোট সেন্সিং সেটিলাইট লৈবা লৈবাক খরখক্কী মনুংদা অমা ওইবা ঙল্লগনি।

অনীশুবা টেষ্ট সেটিলাইট লোঞ্চ অদু লৈবাক অসিদা সেটিলাইট শাবগী কেপাবিলিটি হেনগৎনবা *সুপারকো* না দিভলপ তৌবা পাক-টি ই এস-১ এ নি।

অতিয়াদা পোৎ-চৈ কাপখৎনবগীদমক পাকিষ্টান্দা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎপা মরমনা সেটিলাইটশিং অদু শুন্দ্রংদা কাপখৎখিনবগীদমক চিনাদা পুখি।

জুন থাদা পাকিষ্টান মশানা কে জি ২৮৫ লূম্বা রিমোট সেন্সিং সেটিলাইট অমা ওইরিবা পাক টি ই এস-১ এ শাখি হায়না ফোরেন ওফিসকী ৱাঙাংলোয় মোহমদ ফাইজালনা হায়খি।

সেটিলাইট অদু জুলাই থাগী মনুংদা ৬১০ কে এম সন-সিনক্রোনস ওর্বিটতা থাগৎখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাকিষ্টান টেক্নোলোজি ইভেলুয়েসন সেটিলাইট (পাক টি ই এস-১ এ) অসি শানবা ৱাখল খল্লকপদগীনা ওর্বিটতা কাপখৎত্রিঙৈ মতম ফাওবদা পাকিষ্টান স্পেস এন্দ অপ্পর এটমোসফিয়ার রিছার্স কম্মিসন (সুপরকো) গী সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ইঞ্জিনিয়ারশিংগী মপূং ফারবা ইন্দিজিনস প্রোজেক্ট অমনি।

সুপরকোনা কম্মুনিকেসন সেটিলাইট পাক সেট মলতি সেটিলাইট (পাক সেট-এম এম ১) ফংনবা দিল অদু চিনা গ্রেট ৱাল ইন্দষ্ট্রি কোওপরেসন (সি জি দব্লিউ আই সি) গা সহি তৌনখিবনি।

## তর্কি ট্রেন গুরুং চৎপদা ২৪ শিখ্রে

***ইষ্টানবুল,, জুলাই ৯ ঃ***
চয়োল লোইবা নুমিৎকী পেসেঞ্জরশিং থন্না য়াওবা ট্রেন অমা নোং কন্না চুবদগী লৈবক নীংখাইবগী ফিভমশিং লৈরবা অৱাং নোংচুপ তর্কিদা গুরুং চৎপদা মীওই ২৪ শিখ্রে অমসুং চা-কয়া শোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ৩৬০ হেন্না তোংলকখিবা ট্রেন অদু গ্রীক অমসুং বলগেরিয়ান ঙমখৈদা লৈবা এদিমে রিজনদগী ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা ইষ্টানবুলগী হলকারি ষ্টেসন্দা লাকখিবনি মদুদা তেকিরদাগ রিজনদা ট্রেন অদুগী দবা তরুক তালিদগী নাম্থোক্তুনা গুরুং চৎখিবনি।

থৌদোক অসিদা হান্না মীওই ১০ শিরে হায়খিবদুদগী য়াম্না হেনগৎলগা দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর রেসিপ একদাগনা মীওই ২৪ শিরে হায়খি।

গুরুং চৎলবা ট্রেন দবাশিং অদুদা চখবা থি-হুম্বগী থবক ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা মপূং ফানা লোয়শিনলে হায়না গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা আনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিনা দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱা পল্লদুনা হায়খি।

হেল্থ মিনিষ্টর অহমেট দেমিরকানগী ৱা পল্লদুনা তর্কিশ মেদিয়ানা ফোঙদোকপদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী মতূংদা মীওই ৩৩৮ হোস্পিটালদা লায়েংবগী মথৌ তাবদা হৌজিক মীওই ১২৪ হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে হায়খি।

পেসেঞ্জর ৩৬২ পুরকপা ট্রেন অদুনা লাক্লিবা তালি অদুগী মখাগী লৈবাক অদু কন্না চুরকখিবা নোংনা লৈবাক চেন্থখিবদগী গুরুং চৎখিবনি হায়না ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

**GAS TODAY**

Lambodara Indane
Booking : 07/07/18
Valid : 01/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

সনা-সুদোকু -১২২২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 6 | 9 | 2 | 5 | 8 | 1 | 4 |
| 5 | 8 | 1 | 4 | 7 | 3 | 6 | 2 | 9 |
| 4 | 2 | 9 | 1 | 6 | 8 | 3 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 8 | 2 | 9 | 1 | 4 | 7 | 5 |
| 2 | 5 | 4 | 7 | 3 | 6 | 1 | 9 | 8 |
| 1 | 9 | 7 | 8 | 5 | 4 | 2 | 3 | 6 |
| 9 | 4 | 2 | 3 | 8 | 7 | 5 | 6 | 1 |
| 6 | 1 | 3 | 5 | 4 | 9 | 7 | 8 | 2 |
| 8 | 7 | 5 | 6 | 1 | 2 | 9 | 4 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1223**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | 6 | | 2 | | |
| | | | | | | 5 | | |
| | 6 | 3 | | 8 | | 1 | 7 | 9 |
| | 1 | 8 | | | 6 | 4 | | |
| | | | | 4 | | 6 | 5 | |
| | | | 7 | 9 | | | 2 | |
| | | | 8 | 2 | 9 | | | 3 |
| | | | | | 3 | | | |
| 6 | | | | | | | | |

## ষ্টেসন, ট্রেন পুম্নমক্তা সি সি টি ভি কেমেরাগীদমক রেলৱেজনা ক্রোর ২,৫০০ পাম্লি

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৯ ঃ***
নিরভয়া ফন্দগী মখাদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদগী অহেনবা ফন্দশিং ফংবা ঙমদবনা লৈবাকসিগী মফম পুম্নমক্তা লৈরিবা রেল নেটৱার্ক পুম্নমক্তা মতমগী খ্বাইদগী নৌবা সর্ভিলেন্স সিষ্টেমস লৈহন্নবা ষ্টেসন অমসুং কোচ পুম্নমক্তা সি সি টি ভি কেমেরা খিন্নবা লুপা ক্রোর ২,৫০০ খোমগৎনবা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা লোনগী লম্বী অমা থীরি।

হায়রিবা লোন অদু নেস্নেল ট্রান্সপোর্টর অসিগী ফাইনান্স আর্ম ওইরিবা ইন্দিয়ান রেলৱেজ ফাইনান্স কোর্পোরেসন (আই আর এফ সি) গী খুত্থাংদা শাগৎকদবনি।

রেলৱেজগী সি সি টি ভি প্রোজেক্ট অসিগীদমক লুপা ক্রোর ৩,০০০ গী অপূনবা মথৌ তাই। মসিগী মনুংদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা নিরভয়া ফন্দগী মখাদা লুপা ক্রোর ৫০০ হান্ননা কায়থরকখ্রে। রেলৱে ষ্টেসন ৪৩৬ সি সি টি ভি কেমেরাশিং পানবগী থবক চখরি। চহী অসিদা নিরভয়া ফন্দগী মখাদা অহেনবা ষ্টেসন ৫৪৭ থৌরাং অসিগী মখাদা কোনশিনগনি হায়না পাউগী এজেন্সিদা মকোক থোংবা রেলৱে মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অশোয়-অঙাম, খুদোংথিবা থোকহন্দবা হায়বা অসিনা খ্বাইগী মাঙদা থম্লদুনা রেল প্রিমাইজেসশিংদা সেক্যুরিটি থম্বদা শেনবা চহী ২০১৮-১৯ গী বজেটনা ইন্দিয়ান রেল নেটৱার্ককী ষ্টেসন ৫,১২১ অমসুং কোচ ৫৮,২৭৬ তা সি সি টি ভি সিষ্টেমস থম্নবা অয়াবা পীরকখ্রে।

অদুম ওইনমক নিরভয়া ফন্দগী মখাদা অহেনবা ফন্দশিংগীদমক রেলৱেজনা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা ফংবা ঙমখিদ্রে অমসুং মখোয় মশানা ফন্দশিং অদু খোমগৎনবা হায়নখ্রে হায়রি। মরম অদুদা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মখোয়গী ফাইনান্সিয়েল আর্ম ওইরিবা আই আর এফ সি গী খুত্থাংদা লুপা ক্রোর ২,৫০০ শাগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে। শেনফম অদু সি সি টি ভি প্রোজেক্টকী থবক পাঙথোক্লবগী দাইত্য পুরিবা রেলৱেজগী টেলিকোম ৱিং ওইরিবা রেলতেলনা অমুক শিংগৎকনি।

অনৌবা শেমদোক্লবা থৌরাং অমগী মতূং ইন্না ইন্দিয়ান রেলৱেজগী ষ্টেসন ৫,০০০ রোম অমসুং কোচ ৪২,০০০ রোমদা পেসেঞ্জরশিংগী শেয়দ-ঙামদবগী ফিভম হেন্না কনখৎহন্নবা সি সি টি ভি সিষ্টেম পাল্লগনি। ঐখোয়না অহানবদা এয়ার কন্দিসন কোচশিংদা থবক অসি হৌগনি অমসুং মদুগী মতূংদা অতৈ কোচশিংদা সি সি টি ভি কেমেরাশিংসি পানগনি।

কোচ অমমমদা সি সি টি ভি কেমেরা ৮ পানগনি। কোচতা চঙফম ওইরিবা গেটশিংদসু মসি পানগনি অদুগা রেলৱে ষ্টেসনসিগী মরু ওইরিবা মফম পুম্নমক্তা হায়রিবা সিষ্টেম অসি থমগনি।

সি সি টি ভি সর্ভিলেন্স সিষ্টেমগী মখাদা কোনশিনগদবা ট্রেনশিংগী মতাংদা রেলৱেনা সব-অর্বান ট্রেনগী কোচ ১০,৩৪৯, রাজধানি অমসুং শতাব্দিগুম্বা প্রেমিয়র ট্রেনশিংগী কোচ ৪,০৩৮ অমসুং সুপরফাষ্ট অমসুং এক্সপ্রেস ট্রেনগী কোচ ২৭,০০০ রোম মশীং খনদোকখ্রে। থৌরাং অসিগী মতূং ইন্না মথং চহী অনীগী মনুংদা মেল, এক্সপ্রেস অমসুং প্রেমিয়র ট্রেনশিং লোয়নননা লোকেল পেসেঞ্জর সার্ভিস লোয়নমক মতমগী অনৌবা সর্ভিলেন্স সিষ্টেম অসি পাল্লগনি।